মণিপুর লৈঙাক্না গ্রাসরুট লেবেলদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীরবদি ইন্টরনেসনল ক্রিকেটর কয়া পুথোকপা ঙমগনি: থোকচোম কিষন

শান্নবুংগী পাউদম-৩

জয়চান্দ লুৱাং

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং পুথোকপদা পীক্লবসু পীক্লা কংলৈবাক মণিপুর লৈবাক পুম্বনা শকখঙলিবা ষ্টেট অমনি। লমদম অসিদগী তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রে।

লৈবাক্কী থাক্তা শান্নবদগী হেন্দোক্তুনা মালেমগী থাক্তা শান্নদুনা লমদম অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা শান্নরোয় কয়া থোকখ্রে, কয়া অমসু থোরক্লি। তুংদা কয়া অমসুং থোরকখিগনি হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থাজনরিবা ৱাফম অমনি।

মণিপুরদা মরুওইনা বোক্সিং, আর্চরি, ৱেথলিফটিং, হোক্কী, ফুটবোল, ৱুশু, টাইক্যোন্দো, ফেন্সিং, থাঙ-তা অমদি খো-খোনচিংবা মশান্না কয়াদা কা হেন্না থৱায় য়াওনরি। অমদি হায়রিবা মশান্না মখলশিং অসিদা অফাওবা শান্নরোয় কয়া লমদম অসিদগী হৌখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা শান্নরিবা অমদি শেল কা হেন্না থাধরিবা ক্রিকেট মশান্নগী মতাংদদি লমদম অসিদদি ইশোৎ-শোখনা লৈবগুম তৌরি।

লমদম অসিদা ক্রিকেট মশান্না অসি পামজবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া লৈরি। করিগুম্বা লৈঙাক অমদি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না গ্রাসরুট লেবেলদগী হৌরগা মশান্না অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎলক্কবদি লমদম অসিদগীসু ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না পাম্নরিবা মশান্না অমা ওইরিবা ক্রিকেটতা লমদম অসিদগী মশক নাইরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না রঞ্জি ট্রোফিদসু শরুক য়ারুরবা মশাগী চহী ৩১ শুরবা ক্রিকেট শান্নরোয় থোকচোম কিষননা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি থোকচোক কিষন লংথবাল মন্ত্রিখোঙ মখা লৈকায়দগী থোকচোম ইবোবী অমসুং থোকচোম মেম্মগী মচানুপানি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওনা হৌরকখিবা মীওই অমনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লৈকায়গী লম্পাক্তা থোক্তুনা ফুটবোল অমদি ক্রিকেট মশান্না থৱায় য়াওনা শান্নরকখি।

ফুটবোলদগী ক্রিকেটনা হেন্না থৱায় য়াওরকপদগী লৈকায়দা লৈবা ঙাঙবম সেখর কৌবা মখুরা অমনা মহাকপু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়নননা ক্রিকেট শান্নবা হোৎনবদা মতেং কয়া পাংলকখি। শান্নবা পাম্বা মীওই কয়া মহাক্কী লৈকায়দসু লৈবনা মরম ওইরগা মখোয়গী লৈকায়গী য়ং ৱেলফ্যের ক্লবকী মহুৎ শিন্দুনা মফম কয়াদা শান্নবা হৌরকখি। মসিদসু মখোয়গী মখুরা ঙাঙবম সেখরনা অচৌবা মতেং পীবি।

মতমগী মতুং ইন্না ক্লবতা কুইনা শান্নরম্বদগী মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মহুৎ শিন্দুনা কুমজা ২০১৭ তা য়াওরকখি। মতমদুদা বিহারনা য়ূম্ব ওইদুনা পটনাদা অৱাং নোংপোক লমদম খক্কী ওইবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমা শিনখি। মদুদা অহানবা ওইনা মহাক শরুক য়াবা হৌরকখি। হায়রিবা চহী অদুমক্তদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিনবা লুৱাংশংবমদা পাঙথোকখিবা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱিকেট ১৯ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লরগী মনা ফংখি।

মতমদুদা মণিপুর রঞ্জি ট্রোফিদা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। কুমজা ২০১৮-১৯ দা পাঙথোকখিবা রঞ্জি ট্রোফিদা মহাক অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ফংখি। রঞ্জি ট্রোফিদা শান্নখিবা মেটচ৮গী মনুংদা মহাক মেটচ ৭ তা শরুক য়াখি। থোকচোম কিষন ওল রাউন্দর ওইরবসু বোল লংবনা হেন্না পামজখি।

মেটচ ৭ শান্নখিবা অদুদা মহাক্না পুন্না ৱিকেট ২৮ লৌখি। অরুনাচল প্রদেশকা মণিপুরগা শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্না ৱিকেট ৭ লৌদুনা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচ তাখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোকখিবা সয়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি (ত্বেন্তি-২০) শরুক য়াখি। চহী অদুমক্কী সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকপা বিজয় হজারে ট্রোফিদসু অখন্নবা বোল্লর অমা ওইনা শরুক য়াখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা ক্রিকেটপু শান্নবা পামজবা মীওই কয়া লৈ অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা ফুটবোল অমদি হোক্কীদা কা-হেন্না থৱায় য়াওশিল্লি। ক্রিকেট মশান্নদদি অয়াম্বনা পূক্নিং চঙবা মান্দবা অমদি শৌগৎপীনবা লৈতবগী মমি চাওনা উরি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদগী অফবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙমদ্রি।

মহাক্না ক্রিকেট শান্নবা হৌরকপা মতমদা মখুরা অমনা মঙোন্দা চাওনা মতেং পাংলবসু অতোপ্পা কয়ানদি মতেং পাংবগী মহুত্তা ক্রিকেট শান্নরগা করি কান্নগদৌরিবনো হায়বা ৱাহে ফোঙদোরকখি। মদুগী মহুৎ ফুটবোল শান্নরগা মী ওইনবা হোৎনৌ হায়না ফোঙদোরকপা কয়া য়াওখি। অদুবু মদুদা মহাক নীংহন্নবা তৌখিদে।

মসিদগী হেন্দোক্তুনা শান্নবগী প্রেক্তিস তৌবা চৎলুরগা হল্লকপদা লন্বীদা চেক তৌদুনা লৈরম্বা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু ক্রিকেট শান্নরগা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লিবা করিগীনো হায়না করেম্নবা ফাওবা থেংনখি।

লমদম অসিদা ক্রিকেট মশান্নবু পাম্বা মী মশীং ৱাৎপনা মশান্না অসিবু মীয়াম্না থওইনা লৌদবনি। অদুবু মশান্না অসিদা থৱায় য়াওজবা কয়া মীয়াম্না করি হায়নখিগদগে খনবদগী মপান থোক্না শান্নবা ঙমদবা লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মশান্না অসিবু য়োকখৎপীরবদি শিনফম অমা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

মশান্না অসি শেল য়াম্না চঙবা মশান্না অমা ওইবনা লৈঙাক্কী অহেনবা মীৎয়েং মথৌ তাই। অমরোমদা প্রেক্তিস তৌনিংবা মতমদা বোল লৈবা ঙমদবা অমদি বেট লৈবা ঙমদবদগী খূদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লদবা নত্তে। মরম অসিনা মশান্না অসিদা লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লমদম অসিদগী মমিং লৈবা ক্রিকেট শান্নরোয় কয়া পুথোকপদা মতেং পাংহন্নিংবগী মতম য়ৌরে হায়খি।

য়ু এস এগী কোকো গোফনা টাইটল লৌখ্রে

পার্মা, মে ২২ (এজেন্সী):
ইটালিগী সিটি পার্মাদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইমিলিয়া-রোমাগনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল য়ু এস এগী কোকো গোফনা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী য়ু এস এগী কোকো গোফনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংবু মায়থীবা পীখিবনি।

কোকো গোফনা সেমী-ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী কেটরিনা সিনিয়াকোভাবু ৭-৫, ১-৬, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, চাইনাগী ৱাং কিয়াংনা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ৬-২, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা য়ু এস এগী কোকো গোফনা য়াম্না ফজবা হেনবদগী চাইনাগী শান্নরোয় ৱাং কিয়াংগী সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা চাইনাগী ৱাং কিয়াংগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরক্লবসু গেম ৩ থোইরগা মশাগী সর্ভিস গেম অমা মায়থীখিবদগী কোকো গোফনা ৬-৩দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পালক কোহলি অমদি পরুল পর্মর টোকিও পেরালিম্পিক্সকী ক্কালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে২২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী পেরা শান্নরোয় পালক কোহলি অমদি পরুল পর্মর টোকিও পেরালিম্পিক্সকী বেদমিন্টনগীদমক্তা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৮ শুরবী পালক অমদি মহাক্কী প্যের পরুল বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মখোয় অনীমক চৎলিবা থা অসিগী ১১দগী ১৯ ফাওবা স্পেনদা পাঙথোকখিবা পেরা-বেদমিন্টন ইন্টরনেসনলদা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু পালক অমদি পরুল টোকিওদা অহানবা ওইনা হৌদোক্কদৌরিবা এস এল ৩-এস য়ু ৫ ৱিমেন্স দবলসকী ইভেন্টতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা পেরা বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চহী নৌরিবী মশাগী চহী ১৮ শুরবী পালকনা মহাক্কী প্যের পরুল পর্মরগা লোয়নননা কেটগোরি অদুদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। পালক অমদি পরুলগী প্যের অসি হৌজিক-হৌজিক মালেমগী ওইনা পেরা বেদমিন্টনগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

মখোয় অনীনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী অকনবা চৈথেং লৈরিঙৈ মনুং অসিদা গৌরব খন্নানা লমজিং-লমতাক্তুনা মশান্না অসিদা পেরালিম্পিক্সতা শরুক য়ানবগীদমক্তা শেম শাদুনা লাকখিবনি। মখোয় অনীনা স্পেনিশ ওপন পেরা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু হান্না ফংখিবা রেঙ্কিং পোইন্টশিং অদু পূনশিল্লগা হৌজিক-হৌজিক মালেমগী ওইনা এস এল ৩- এস য়ু ৫ ৱিমেন্স দবলসকী ওইনা তরুকশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

বট্রা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক্কা খনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২২ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৬তা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী পুৰারীদা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়খিবা নরিন্দর বট্রানা অমুক্কা হন্না ঙসি লূপ অসিগী প্রসিদেন্টকী ফম অদু পায়রগনি।

নরিন্দর বট্রানা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী ৪৭লক শুবা কোংগ্রেসতা মীখল পাঙথোকপদা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্কুবা লম্বা ওইখিবা বেলজিয়মগী মার্ক কোদ্রোনবু য়াম্না নক্কুবা মওংদা ভোট ৬৩-৬১দা মায়থীবা পীরগা ফেদরেসন অদুগী প্রসিদেন্টকী ফম অদু অমুক্কা হন্না অনীরকশুবা টর্ম ওইনা পায়গদৌরি।

টর্ম অনীরক ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়গদৌরবা নরিন্দর বট্রানা ফোঙদোকখিবদা, হোক্কী মশান্না অসি হান্না লৈরম্বা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংগী মরক্তা অহেনবা থাক্তা পুখৎনবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোৎনগনি হায়খি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনীগী মরক্তা মমাংদা লৈরম্বা বাইলেটরেল হোক্কী কম্পিটিসন অদু নৌহৌননা হৌদোকপগী মতাংদা হংখিবদা ৱাফম অদু হোক্কী ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান হোক্কী ফেদরেসনগী মরক্তা য়াম্না চাওনা থৌদাং লৈরি। লোয়নননা মশান্না অসি অহেনবা মওংদা মীয়াম্না পাম্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মেরি কোমনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং দুবাইদা তেক্তা কায়দনা য়ৌদুনা ট্রেনিং হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২২ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা এ এস বি সী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াননবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম মমিং লৈরবী মেরি কোমনা লুচিংদুনা তেক্তা কায়দনা দুবাই য়ৌদুনা ট্রেনিং চথবা হৌখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ২৪দগী জুন ১ ফাওবদা পাঙথোক্কদবা এ এস বি সী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসি জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিঞ্জেন্টকী মীওই ৩০না অখন্নবা স্পাইস জেট এয়ররৱেজকী ফ্লাইট অমনা ন্যু দেল্লীদগী খোঙশানখিবনি। অদুবু হায়রিবা ফ্লাইট অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস য়ৌরক্লবা মতুং পুংখায় অমরোম লেন্দিং তৌবগী অয়াবা ফংদবনা পাইদুনা লৈখি। অদুবু মখা তানা য়ু এ ঈগী দুবাইদা লৈবা এয়রপোর্টকী ওফিসলশিংগা পাউ ফাওদোক্লবদগী লেন্দিং তৌদুনা অশোয়-অঙাম য়াওখিদবনি। দুবাইদা ইন্দিয়ন বোক্সিং কন্টিঞ্জেন্ট অদু পুখিবা ফ্লাইট অদুগী মীওই পূম্নমক ইমিগ্রেসনগী অয়াবা পূম্নমক লোইশিন্নখ্রবা মতুং বোক্সরশিং অমদি কোচ য়াওনা কন্টিঞ্জেন্ট অদু মখোয়না হান্না শিনখিবা ট্রেনিং চথফম অদুদা য়ৌখিবনি হায়না স্পাইস জেটকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা নুপী বোক্সর ৪ অমদি নুপা বোক্সর ৫ য়াওনা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না মখা তানা ওলিম্পিক গেমস অদুগীদমক্তা শেম শাবা ওইনা দুবাইদা পাঙথোক্কদবা এ এস বি সী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি। লোয়নননা অতোপ্পা বোক্সরশিংনা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াদুনা মশা-মশাগী ওইবা ৱেথ কেটগোরিশিং অদুদা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবা শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম কোভিদ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী দোহাদা টুর্নামেন্টকীদমক্তা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে

দোহা, মে২২ (এজেন্সী):
জুন থাদা কটারনা য়ূম্ব ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অপূনবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টকীদমক্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখিবদগী ট্রেনিং হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি কটারগী কোনুং দোহাদা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমিদাংৱাইরমদা য়ৌখিবনি। লৈবাক অদুগী হকশেলগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না শেম শাবা ট্রেনিং কেম্প অদুগী মাংওইননা আর টি-পি সী আর টেষ্টকী রিজল্ট ফংদ্রিঙৈদা ট্রেনিং হৌবা য়াখিদবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুগী মীওই পূম্নমক টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী মফম অদুদা ট্রেনিং চথবা হৌখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদগী লাকখিবা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফকী ওইবা মেম্বর ২৮মক নেগেটিভ ওইরকপা অদুনা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগীদমক্তা ট্রেনিং চথবা হৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা জুন থাগী ৩দা য়ূম্ব ওইরিবা কটারগা অহানবা মেটচ শান্নগদৌরি। মদুগী মখা তারকপদা জুন ৭তা বাংলাদেশকা শান্নরবা মতুং থা অদুমক্কী ১৫দা অফঘানিষ্টানগা অহুমশুবা মেটচ অদু শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা ক্কালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা লৈত্রবসু শান্নগদৌরিবা মেটচ ৩ অদুদা ফজরবদি এসিয়ন কপকীদমক্তা ক্কালিফাই ওইবা য়াবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈরি।

গেম মঙাগী স্কোরিং সিষ্টম পুখৎখিবা অদু ফেদরেসনন্না য়াখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২২ (এজেন্সী):
মালেমগী ওইনা মীয়াম্না চাওনা পাম্নরিবা বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা মেটচ অহুমগী সিষ্টম অদুগী অহেনবদা গেম মঙাগী স্কোরিং সিষ্টম থম্নবা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনন্না ঙসি পাঙথোকখিবা চহীগী ওইবা মীফম্না অয়াবা পীখিদ্রে।

বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা স্কোরিং সিষ্টম অসি পোইন্ট ২১ য়ৌবা শান্নরোয়না মায় পাকপা ওইরিবনি। লোয়নননা গেম অহুমগী লম্বাদা গেম অনী মায় পাক্লগা মেটচ অমা মায় পাকপা ওইবগী সিষ্টম লৈরিবনি। হায়রিবা সিষ্টম অসিগী শেমদোকপগী মওংদা পোইন্ট ১১না মায় পাকপগী অরোইবা পোইন্ট ওইহল্লগা গেম মঙা শান্ননবগীদমক্তা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী চহীগী ওইবা মীফমদা কুপ্পা খন্নরবা মতুং অয়াবা পীখিদবনি।

মরুওইনা বেদমিন্টন ইন্দোনেসিয়া অমসুং বেদমিন্টন মালদিভসনা অনৌবা গেম মঙা শান্নবগী সিষ্টম অসি থম্নবা হোৎনরকপদা বেদমিন্টন এসিয়ানা মতেং পাংখিবনি। অদুবু ঙসি বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী চহীগী ওইবা মীফমদা অনৌবা গেম মঙাগী ওইবা স্কোরিং সিষ্টম অদুগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুং হান্না চৎনরিবা পোইন্ট ২১গী ওইবা গেম অহুমগী সিষ্টম অদুদা অদুম্মক চৎননবা ৱারেপ লৌখি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মকোক ওইরিবা পোল ইরিক লার্সন্না হৌখিবা থাদা অনৌবা স্কোরিং সিষ্টম অদুবু তরাম্না ওকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা ফেদরেসন অসিগী মীফম অদুনা অনৌবা স্কোরিং সিষ্টম অদু ফজরবসু হান্না লৈরিবা গেম অহুমগী সিষ্টম অদুদা অদুম্মক চৎনগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীবিরিবদি মপান থোরক্তুনা এস ও পি থুগায়রিবসি ফগনি

মপান লমদদি কর্ফিয়ু থম্বা হায়বসি তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙদা য়ৌহল্লি হায়নৈ। থৌওং অসিনা য়ূমদগী মপান থোক্লকপা চাং য়াম্না নেমহল্লি। তঙাইফদনা নোংমগী চান-থক্লবা ৱাৎতনা লৈরবদি মপান্দা থোরক্তুনা এস ও পি থুগায়রিবা অসি খরমখৈদি হন্থহনবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি। খূদম হায়ববু কর্ফিয়ু কোমথোকপা মতমদা ফাওবা মী কা-হেন্না থোক্লরক্ত্রিবা অসিনি। ঐখোয়গী মীয়ামসু মমাংঙৈগদি মান্নদ্রে। য়ূমদগী মপান থোক্লক্তুনা মীয়াম পূনবদা মাস্ক উপ্পুবা, শম্না হায়রবদা এস ও পি ঙাক্তবগী চাং য়াম্না হন্থরে। অদুবু তঙাইফদনা মপান থোক্লক্তুনা মীওই কয়ানা এস ও পি ঙাক্ত্রিবা অসি নোংমগী চানবা লৈশিল্লক্তবদগী থোক্লকপনি হায়বসি লাল্লোই হায়না খল্লি। ইনাক খুনবশিংগীদি হান্না লৈশিন্দুনা থম্নখিবনা থোক্লকপা খরা ৱাৎলিবনি। লায়রবা ইমুংদদি চান-থক্লবা লৈশিল্লক্তবা অমদি অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অমুক্কা হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরি। মরম অদুনা লৈঙাক্না লৈত-লায়রবা মীওইশিংগী য়েংবীদুনা মতেং পাংহন্নীংই।

❒ হাসনসনা এম এম, থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকাই

ইম্ফালগী অকোয়বদা অমাদি নম্বুল তুরেল মনাক্তা পৈশিন্দুনা লৈরিবা ফত্ত-হৌদি কনামত্তনা য়েংশিনবীদ্রে

হৌজিক-হৌজিক ইম্ফালগী অকোয়বদা ফত্ত-হৌদি কয়া অমা পৈ-পৈদুনা লৈবা মীয়াম্নসু থেংনবীরমগনি। মরুওইনা ৱাহেংবম লৈকাইদগী লাকপদা নম্বুল তুরেলগী মনাক্তা লৈরিবা ফত্ত-হৌদি কয়া অসি মতম কয়াদগী অদুম্মক পৈদুনা লৈরক্লে। করিগুম্বা কান্দা নুমিদাংগী মতমদা মফমশিং অদুগী অকোয়বদা তারিবা মীওইশিংনসু ফত্ত-হৌদি কয়া পুথোরক্তুনা লংশিল্লম্বা অমদি থমজিল্লম্বা য়াওদবসু নত্তে। মতাং অসিদা মীচম অমা ওইনা হায়জনিংবদি নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা মতমদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা কোইচাই চাইদুনা লৈবা মরম্না অচৎ-অওকশিংদা চাওনা খূদোংচাদবা থোকহল্লে। লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা ফত্ত-হৌদিশিং অসি মতম কুইনা থমজিল্লকপদগী মনম-মহা কয়া লাক্তুনা লম্বী চৎপদা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা লায়না কয়া অমা নারক্লগদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অমদি মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথীবা লায়না কয়া অমসু লমদম অসিদা শন্দোরকপা য়াই হায়জনিংই।

❒ শৌগ্রাকপম কুমারজিৎ মঙাং, হিয়াংলম লাই পাঙ্গলবা মনাক

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

মোইরাংথেম ধীরজ অমসুং কুমাম উদান্তাবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):
সী পি আই মোইরাং লোকল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র নেসনল ফুটবোল টিমদা মণিপুরগী শান্নরোয় ৬ খনগৎলকপগী মনুংদা মোইরাংথেম ধীরজ অমদি কুমাম উদান্তাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা কটারগী কোনুং দোহাদা কুমজা ২০২২দা লৈবাক অদুমক্তদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ক্কালিফায়িং মেটচ অমগী কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্ব ওইরগা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অদুগী ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবনি।

পনবা য়াবদি, কটারদা পাঙথোক্কদবা ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ওইনদি ইন্দিয়াগী টিম ক্কালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা লৈত্রবনি। অদুবু চাইনানা য়ূম্ব ওইরগা কুমজা ২০২৩গী জুন ১৬তগী জুলাই ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগীদমক্তা ক্কালিফাই ওইননবা শান্নগদৌরিবনি।

সী পি আই মোইরাং লোকল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবা গোলকিপ্পর মোইরাংথেম ধীরজ অমদি মিদফিল্ডর কুমাম উদান্তাবু মায় পাকপা ওইয়ু হায়না য়াইফ থৌনীখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 117

Haakert, Juergen (2305) - Beckemeier, Werner (2290)
Bundesliga 8384 Germany, 1983

1.g3 e5 2.Bg2 Nf6 3.d3 g6 4.Nf3 Nc6
5.O-O Bg7 6.c4 O-O 7.Nc3 d6 8.Bd2 Re8
9.Ne1 Bf5 10.e4 Be6 11.Nc2 Qd7 12.b4 Bh3
13.b5 Nd4 14.Nxd4 exd4 15.Ne2 Bxg2 16.Kxg2 a6
17.a4 axb5 18.axb5 Rxa1 19.Qxa1 d5 20.cxd5 Nxd5
21.Re1 Nb6 22.Qb2 h5 23.h4 Kh7 24.Ng1 Na4
25.Qb4 Nc3 26.b6 c6 27.Nf3 Ra8 28.Bf4 Ra4
29.Qc5 Kg8 30.Ne5 Qe6 31.Nc4 Ra2 32.Be5 Bxe5
33.Nxe5 Qf6 34.Nf3 Rb2 35.e5 Qd8 36.Qd6 Qf8
37.Qd7 Nd5 38.e6 fxe6 39.Rxe6 Qf7 40.Qd6 Ne3+
41.Kg1...

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 116 Ans. :

25. ...Qe5 **26.**Qg7+The white queen deflects Black's rook away from protecting the 8th rank.Rxg7 **27.**Rd8+
27. Ra8+ Rg8 **28.**Rxg8+ Kxg8 **29.**Rd8#Backrank mate
27. ...Rg8 **28.**Rxg8+ Kxg8 **29.**Ra8+ Qb8 **30.**Rxb8#Backrank mate
26. Qg7+ Rxg7 **27.**Ra8+ Rg8 **28.**Rxg8+ Kxg8 **29.**Rd8#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com